## মাসুল সিটিদা থোমজিনবা হৌখ্রে

ইর্বিল, জুন ১৮:

ইরাক্কী ফোর্সশিংনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ইস্লামিক ষ্টেটনা পাইশিল্লিবা ওল্ড সিটি মোসুলদা থোমজিনবা হৌখ্রে হায়না মিলিটরিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে। হিষ্টোরিক দিষ্ট্রিক্ট অসি সিটি অসিদা মিলিটেন্টশিংনা কনট্রোল তৌবা অরোইবা মফমনি। অমগা অমগা ফাওনবা অখুবা লন্মীশিংগী মরক্তা য়ুম কৈশিং লৈবা মী কুংনা তাবা মফম অসিদদি য়ুমথোং য়ুমথোংদা লাল শোক্লে হায়বা য়াই হায়রি।

মীচম ১০০০০০ রোম হৌজিক কীনিঙাই ওইরবা ফিভমদা হায়বদি চানবা চীঞ্জাক, ঈশিং অমসুং হিদাক লাংথকশিং য়াওদনা অমসুং হোস্পিটালদা চৎপগী খুদোংচাবা য়াওদনা লৈরি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সনা হায়রি।

মসি মোসুল লৌশিন্নবগী ওফেন্সিভতা অরোইবা চেপ্টরনি হায়না কাউন্টর টেররিজম সার্ভিসকী এলিট য়ুনিটশিংগী কম্মান্দর লেফটিন্টে জেনরেল অব্দুল ঘানি অন অমাদিনা হায়খি।

মোসুলবু নৌনা খুদুম চন্নবগীদমক্তা য়ু এসনা বেকিং পীদুনা চথরকখিবা ইরাগক্কী ওফেন্সিভ থাংজ নুমিৎতা মাপনশুবা থা চংশিনখ্রে। মীচমশিংবু হ্যুমেন দিল্ডশিং ওইনা থম্বগী টেক্তিক অমগী শরুক ওইনা ইস্লামিক ষ্টেটকী স্লাইপরশিংনা হিনা নত্রগা মখোংনা টাইগ্রিস তুরেল লান্দুনা চৎনবা হোৎনরিবা ইমুংশিংদা নোংমৈনা কাপই হায়না য়ু এসনা ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

## ‘অওনবা পুরকপগী অরোইবা ষ্টেজদা মীৎয়েং থমখ্রে’

পেরিস, জুন ১৮ :

নেসনল পোলিটিক্সতা পুংনৌ নৌবা অওনবা অমা মপুং ফানা পুরকপা ঙমহনগদবা মওংদা প্রসিদেন্ট ইম্মান্যুঅল মেক্রোনগী সেনত্রিষ্ট পার্টিবু মপুং ফানা মায় পাকহন্নবগীদমক ফ্রান্সকী ভোটরশিংনা ঙসি পার্লিয়ামেন্টরি মীখলদা ভোট থাদনখ্রে।

হেন্না নহা ওইবা, হান্নদগী হেন্না নুপী মশিং য়াম্না অমসুং কাঙলুপ হেন্না রিপ্রজেন্ট তৌবা অনৌবা জেনরেসনগী লোমেকরশিংনা অনৌবা এসেমব্লি অদু পুংহোং হোংহল্লগনি। হৌখিবা থাদা পাঙথোকখিবা প্রসিদেন্সিয়ল ইলেক্সনসতা মেক্রোননা চাউনা মায় পাকখিবগী মতুং তারকপা মায় পাকপগী ঈথক ঈপোমদা মখোয়সু য়াওদুনা এসেমব্লিদা অওনবা পুরকপদা শরুকয়াগদৌরিবনি।

লাক্কদৌরিবা অহোংবা অসি অসুক্কী মতীক চাউগদৌরি মদুদি ওবজার্ভর খরনা মসিবু হৌজিক চৎনরিবা প্রসিদেন্সিয়ল সিষ্টেম হৌখিবা কুমজা ১৯৫৮ গী অহোংবগা চাংদম্নখি।

# অফঘানিষ্টানগী পুলিস হেদক্কার্টরসতা টালিবান্না চথখিবা তমথিরবা এটেক্তা পুলিস য়াওনা মীওই ১০০ শিখ্রে

গার্দেজ সিটি, কাবুল, জুন ১৮ :

ঙসি অফঘানিষ্টানগী নোংপোকথংবা শরুক্কী পুলিস হেদক্কার্টরস অমদা সুইসাইদ বোম্মর মঙানা এটেকশিং চথবদা মীওই চাম্মা হেন্না শিখ্রে নৎত্রগা অশোক-অপন নংখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোক্লি।

টালিবান্না ক্লেম তৌখিবা এটেক অদু অয়ুক পুং ৬.৩০ তাবদা গার্দেজ সিটিদা লৈবা পুলিস হেদক্কার্টরসকী গেটতা এক্সপ্লোসিভশিং য়াওবা কার অমা সুইসাইদ বোম্মর অমনা পোকখায়হনখিবগা লোয়ননা হৌখিবনি হায়না ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন নাজিব দানিশনা ফোঙদোকখি। গার্দেজ সিটি অসি পাকতিয়া প্রোভিন্সকী কেপিটেল সিটিনি।

ব্লাষ্ট অদুগী মতুংদা অহেনবা এটেক্কর মরি গেট অদুদা থোমজিল্লকখি। য়ামদ্রবদা টেররিষ্ট অনীদি পুলিসনা য়াম্না থুনা হাৎখি। অতৈ লেমহৌরিবশিংদুনা এটেক অদুদা রেস্পোন্দ তৌখিবা অফঘান স্পেসল ফোর্সশিংগা খুৎ থোক্লখি হায়রি।

দানিশনা থৌদোক অদুদা পুলিস অনী শিখ্রে অমসুং মঙা অশোক-অপন নংখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

অদুম ওইনমক সিটিগী হোস্পিটালগী দোক্তরশিংনদি য়ামদ্রবদা পুলিস মঙাগী অশিবা হকচাংশিং পুরক্লে অমসুং মীচম ২০ য়াওনা য়ামদ্রবদা মীওই ৩০ অশোক-অপন নংলে হায়খি।

চৈরকসিদা এটেক অদু মখোয়গী খুৎনি হায়না টালিবান্না ক্লেম তৌখ্রে। টালিবানগী স্পোক্সমেন জাবিহুল্লাহ মুজাহিদনা পুলিস ১০০ হেন্না শিখি অমসুং শোকখি হায়না ফোঙদোকখি।

গভর্ণমেন্ট টার্গেটশিং অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা এটেকশিং চথবা মতমদা ইস্লামিষ্ট গ্রুপনা মীশি-মীনাগী মশিং হেঞ্জিন্না হায়জিনবসি তোয়না তৌরক্লবা মখোয়গী হৈনবীনি হায়রি।

হন্দক চয়োল খরসিদা টালিবান অমসুং ইস্লামিক ষ্টেটকুম্বা লালহৌবা গ্রুপশিংনা অফঘানিষ্টানগী মফম কয়াদা এটেক কয়া পরিং নাইনা চথখি।

হৌখিবা শগোলশেল নুমিৎতা কাবুলদা লৈবা মোস্ক অমদা চথখিবা শাথিরবা এটেক অমা ইস্লামিক ষ্টেটনা ক্লেম তৌখি। মেগী অরোইবা অমসুং জুন হৌরকপদা চথখিবা অচৌবা ট্রক বোম্মিং অমসুং মদুগী মতুং তাবা সুইসাইদ এটেকশিংদা মীওই চা কয়া শিখি অমসুং শোকখি। মদুনা হাৎপা-তুপ্পগী ঈরাংশিং অমসুং করপসন লাকশিন্নবা হোৎনরিবা অফঘান গভর্ণমেন্টকী ওইনা পোলিটিকেল টেন্সনশিং হেনগৎহনখি।

অফঘানিষ্টানদা ইন্টরনেসনল ক্রুপ লিশিং কয়া অফঘান সিক্যুরিটি ফোর্সশিংবু ট্রেন তৌনবা অমসুং মতেং পাংনবা লোয়ননা কাউন্টর টেররিজম মিসনশিং পাঙথোক্লবা লৈরি।

অমেরিকান দিফেন্স ওফিসলশিংনা হায়রি মদুদি, লাক্লিবা চয়োল খরসিদা মিলিটরি কম্মান্দরশিংনা হায়জরকখিবগী মতুং ইন্না মখোয়না অহেনবা ক্রুপ ৩০০০ দগী ৫০০০ ফাওবা থমগদ্রা হায়বদু লেপকনি।



## য়ু এস নেভিগী দেসত্রোইয়র মনুংদা হিরোইশিংগী হকচাংশিং থেংনখ্রে

য়োকোমুকা, জুন ১৮:

জপানগী ঈথৎ অমগী কোষ্টকী মনাক নকপা মথৌ চিনবা সিগী শরুক্তগা কন্টেন্নর সিপ অমগা থেঙ্গাইনখিবা য়ু এস এস ফিটগেরাল্ডদা হিরোইশিংগী অশিবা হকচাং কয়া নেভিগী দাইভরশিংনা থেংনখ্রে, তৌইগুম্বসুং নেভিগী স্পোক্সপার্সন অমনা মাঙখিবদগী থিরকখিবা হিরোই তরোৎমক অমক্তা ফংবা ঙমদ্রি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

সার্চরশিংনা থেঙ্গাইনবদুদা অকাই-অতোই থোকখিবা মফমদুদা চংদুনা কন্না থি হুমখি অমসুং অশিবা হকচাংশিংদু নেভল হোস্পিটাল য়োকোমুকাদা পুখি। হকচাংশিংদু মফমদুদা আইদেন্টিফাই তৌগনি হায়না নেভিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি। হিরোই মরি থিবা খঙদনা লাকখি তৌইগুম্বসুং মখোয় অমক্তা ফংদ্রি হায়না য়োকোমুকাদা লৈবা য়ু এস নেভিগী স্পোক্সমেন য়োকো কাতোনা ফোঙদোকখি। মহাক্না হিরোই মশিং কয়াগী হকচাংশিং ফংলবগে হায়বদি পনখিদে।

কোলিজন থোকপা মতমদুদা দেসত্রোইয়র অদুদা য়াওরিবা হিরোই ৩০০ লোমদুগী অয়াম্বা মখোয়গী বর্থশিংদা তুম্নদুনা লৈরমগনি হায়না থাজনখি। দেসত্রোইয়র অদুনা সিপ অদুগী য়েৎথংবা ময়াইগী শরুক্তা থেঙ্গাইনবদা বর্থিং স্পেস অনী, মেছিন্নরি রুম অমা অমসুং রেদিও রুম অমা দেমেজ তৌখি অমসুং মনুংদা ঈশিং চংবা হৌখি।

হিংহৌদবশিংদু ক্রাশতুগী ইমপেক্টতা শিখিবা নত্রগা ঈশিং হাজিল্লকপদুদা মনুংদা ঈরাক্লদুনা শিখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না নেভিগী স্পোক্সমেন লেফটিনেন্ট পোল নিব্রেলনা ফোঙদোকখি। মহাক্না পাউমীশিংবু অকাই অতোই নংলবা মিলিটরি ভেসেল অদু য়েংহনখি। জপানগী কোষ্ট গার্দ ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি মদুদি, অনীশুবা ফ্লীট লৈরিবা য়োকোমুকাগী খা নোংচুপ্তা নোটিকেল মাইল ৫৬ লাপ্পা কোলিজন মফমদুদা মখা তানা সি অমসুং এয়র সার্চশিং চথরি।

হিরোইশিংদুগী ইমুংশিংদা পাউ পীরে অমসুং অৱাবা তারবা মতমসিদা মখোয়গী তঙাই ফদবা সপোর্টশিংসু পীরে হায়না নেভিনা ফোঙদোকখি। পাউ পীবা পুংলোই লোইরবা মতুংদা হিরোইশিংদুগী মমিংশিং ফোংলগনি।

## চাইনিজ নহা অনী পাকিষ্টানদা ফারগা হাৎখিবগী লমন খুন্নবা চাইনিজ গভর্ণমেন্টতা তকশিনখ্রে

বৈজিং, জুন ১৮ :

বলোচিষ্টানদা নহা ওইরিবা চাইনিজ অনী ফারগা হাৎখিবগী মতাংদা চাইনিজ গভর্ণমেন্টনা অৱা-নুংঙাই পুন্নমক্তা মীচং ওইরিবা পাকিষ্টানবু ষ্ট্রেটেজিক্কী মীৎয়েংনা মাঙওইনরগা য়েংবদগী অরুবা থৌদোক অমা ওইনা উহন্দনবা হোৎনজরবসু খোয়রাং খোয়শাওনরবা চাইনিজ সোসল মিদিয়া শিজিন্নবশিংগী মরক্তা থৌদোক অদুবু চানবা মওংদা লম্মন খুন্নবগী খোল্লাউশিং লাউনরক্লে হায়রি।

চাইনাগী ইন্টরনেট শিজিন্নরিবশিংনা চাইনানা পাকিষ্টানদা ক্রুপশিং থাদুনা কিদনেপ্পরশিংদুবু লোগী মতুং ইন্না চৈরাক ফংহন্নবা ফাওবা দিমান্দ তৌখ্রে হায়না সাউথ চাইনা মোর্নিং পোষ্টনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, বৈজিংনা ষ্টেট মিদিয়া আউটলেটশিংদা থৌদোক অদুবু লুশিনহন্দনবা মওংদা ফোংনবা হায়দুনা খঙহনখ্রে।

হৌখিবা জুন ৮ দা আই এস আই এস গ্রুপনা চাইনিজ নহা অনী বলোচিষ্টানগী ক্বেটা মনাক্তা কিদনেপ তৌরিবদু মখোয়ননি হায়না ক্লেম তৌখি অমসুং হান্না লোলগী ওজাশিংনি হায়না ফোংখিবা লি জিংয়াং (২৪) অমসুং মেং লিসি (২৬) পু মখোয়না হাৎলে হায়খি।


অমরোমদা, চাইনানদি নুমিৎ ১০ নি চোম্থরক্লফাওবদা চাইনিজ অনী শিখিবগী পাউ অসি পাকিষ্টানি ওথোরিটিশিংগা লোয়ননা ভেরিফাই তৌরি হায়খি।

চাইনিজ নহারোলশিংগী অশাউবা ফাথনবগীদমক্তা চাইনিজ ষ্টেট মিদিয়া অমসুং পাকিষ্টানি ওফিসলশিংনা ৱারীদু থৈদোক্লগা লি অমসুং মেং খৃষ্টান প্রীচরশিংনি হায়না ফাওবা ক্লেম তৌখি।

তশেংনমক চাইনিজ ষ্টেট মিদিয়া আউটলেটশিংনা নহা অনীদু য়ুমথোং খুদিং চঙদুনা লাইনিং লন্মী শন্দোক্লুবদগী লোকেলশিংনা শাউরক্তুনা কিদনেপ তৌখিবনি অমসুং মরাইবক থীখিবনি হায়না ফাওবা ফোঙদোকখি। অদুম ওইনমক সাউথ কোরিয়ন ওফিসলশিংনদি চাইনিজ নহা অনীদু মিসনরিশিংনি হায়বা ক্লেমশিং য়াখিদ্রে অমসুং মখোয় তশেংনমক কোরিয়ন লোলগী স্কুল অমদা থবক তৌরম্মী হায়না হায়খ্রে।



## পকিষ্টানি দিপ্লোমেট অনী অফঘানিষ্টান্দা থিবা খঙখিদ্রে



ইস্লামাবাদ, জুন ১৮:

ইষ্টর্ন অফঘানিষ্টানগী সিটি জেলালাবাদতা লৈবা কোন্স্যুলেট ওফিস অমদা বেজ ওইবা পাকিষ্টানি দিপ্লোমেট অনী হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা কংফাল লন্মী শিজিন্নদুনা মখোয়গী হোমলেন্দদা হনখিবদগী থিবা খঙখিদ্রে হায়না পকিষ্টানগী ফোরেন ওফিসনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

দিপ্লোমেট অনী থিবা খঙখিদবদুদা কনাগী খুৎ চীংনবা য়াবগে হায়বসি ইস্লামাবাদনা ফোঙদোকখিদে তৌইগুম্বসুং মমাঙদা অফঘানিষ্টান্দা বেজ ওইবা ইস্লামিষ্ট গ্রুপশিংনা দিপ্লোমেটশিংদা তার্গেট তৌখিবা লৈ হায়রি।

পকিষ্টাননা অফঘান গভর্ণমেন্টদা ঐখোয়গী ওফিসলশিং থুনা ফংনবা হোৎনবা য়াবা খুদিংমক হোৎনবিনবা অমসুং তমথিরবা ক্রাইম অদুদা চেন্নবশিংবু লোগী মতুং ইন্না চৈরাক ফংহন্নবা হায়জখ্রে হায়না ফোরন মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

ইস্লামাবাদনা ফোঙদোকখি মদুদি, থৌদোক অদুবু প্রোব তৌনবা অফঘনিষ্টাননা তোঙান তোঙানবা ইনভেষ্টিগেটিং গ্রুপ অহুম শেম্লে।

পকিষ্টান অমসুং অফঘানিষ্টান অনীমক্না অমনা অমবু পকিষ্টানি অমসুং অফঘান টালিবান মিলিটেন্টশিং লাকশিন্নবা থবক মতিক চানা পাইখৎতে হায়না মরাল শিবগা লোয়ননা হন্দক চহী খরা অসিদা ইস্লামাবাদ অমসুং কাবুলগী মরক্তা উংখৎনবগী ফিভম অমা লাকখি।

অফঘানিষ্টাননা পকিষ্টানবু লৈবাক অসিগী বোর্দর মনুংদা লৈরিবা অফঘান টালিবান কম্মান্দরশিংবু খঙশিন উশিন্নদে অমসুং টালিবানবু শৌগৎলি হায়না মরাল শিখি। অমরোমদা ইস্লামাবাদকী মাইকৈদগীদি ৱাফম অসি য়াদ্রি।

ইস্লামাবাদনসু পকিষ্টানদগী তাম্থোকখ্রবা তৌইগুম্বসুং বোর্দর ৱাংমা লান্না এতেক কয়া মখা তানা চথরিবা পকিষ্টানি টালিবান মিলিটেন্টশিং লাকশিন্নবা কাবুলনা থবক মতিক চানা পাইখৎতে হায়না ক্লেম তৌরি।

নঙ্গরহর প্রোভিন্সকী কেপিটেল জলালাবাদ অসি পকিষ্টানগা লোন্নবা মরু ওইবা বোর্দর লানফমদগী কিলোমিটর ৭০ রোম লাপ্পা লৈবা মথৌ চীনবা ললোন ইতিক্কী মফম অমনি। বোর্দর প্রোভিন্স অসিগী খুথাংদা পকিষ্টানদগী লেন্দলোক অফঘানিষ্টানগী পোৎচৈ অয়াম্বা পুশিল্লি।

প্রোভিন্স অসিদা পকিষ্টান অমসুং অফঘান টালিবান য়াওনা তোঙান তোঙানবা ইস্লামিষ্ট গ্রুপশিং লৈ। হন্দক চহী খরসিদা ইস্লামিক ষ্টেটসু নঙ্গরহরদা খোঙফম চেৎনা লৈশিন্নবা হোৎনখি।

## পোর্টুগলগী ময়ায় থংবা লমদমগী উমংগী মফম কয়াদা লাম্মৈ চাকপদা য়ামদ্রবদা মীওই ৬২ শিখ্রে

লিজবন, জুন ১৮ :

পোর্টুগলগী ময়ায় থংবা শরুক্তা লৈবা উমংশিংগী মফম কয়াদা লাম্মৈ কন্না চাকপদগী য়ামদ্রবদা মীওই ৬২ শিখ্রে হায়না পোর্টুগিজ গভর্ণমেন্টনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোক্লি।

ভিক্টিম কয়াদি লাম্মৈগী মৈরীশিংনা লন্মী অমা লান্না শন্দোরকখিবদা মখোয়গী কার মনুংদা লৈনা-লৈনা শিখিবনি হায়রি।

ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না, মফম অদুগী শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রী ৪০ হেনখি অমসুং নোংথাং অমনা য়ৈবদগী মৈ হৌদুনা উমংদা লাম্মৈ চাকপদু হৌখিবনি হায়না থাজনখি।

হৌখিবা থাংজগী অথেংবদা উমং মৈ চাকপদু লাকশিন্নবা ফায়রফাইটর ৬০০ অমসুং ভেহিকল ১৬০ রোম থাখি। শাথীরবা লাম্মৈ চাকপদু অহানবদা কোইম্ব্রাদগী কিলোমিটর ৫০ রোম লাপ্পা লৈবা পেদ্রোগাও গ্রান্দে ম্যুনিসিপালিটিদা নুংথিলদা হৌখি অমসুং অতৈ মফমশিংদা য়াম্না থুনা শন্দাকখি। পেদ্রোগাও গ্রান্দে অসি পোর্টুগিজ কেপিটেল লিজবনদগী অৱাং নোংপোক পাংনা কিলোমিটর ১৫০ রোম থাপ্পনা লৈ।

‘হন্দক চহী খরসিদা থোকপা উখিবা উমং মৈ চাকপশিংগী মনুংদা মসিনা খ্বাইদগী হেন্না শাথিবা থৌদোক মাল্লি হায়না থৌদোক অদুদা মথৱায় শোক্লবা প্রাইম মিনিষ্টর এন্টোনিও কোষ্টানা হায়খি। লিজবনগী মনাক্তা লৈবা সিভিল প্রোটেক্সন হেদক্কার্টরসতা ৱা ঙাঙলদুনা মহাক্না লাম্মৈ চাকপদুদা শিবা মী মশিং হেনগৎলকপা য়াই হায়খি।

ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী ওফিসল জোর্জ গোমেজনা হায়খি, মীওই ১৬ ফিগীরো দোস ভিনহোস অমসুং কাষ্টানহৈরা দে পেরা টাউনশিংগী মরক্তা মখোয়গী ভেহিকলশিংগী মনুংদা মথৱায় মাঙখি। পুন্না অসুম্না মীওই ৪৩ মখোয়গী কার মনুংদা শিখ্রে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

লিজবননা হায়জরকখিবা মতুংদা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ননা ফায়রফাইটিং প্লেনশিং পীরগনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা য়ুনিয়ন অসিগী সিভিল প্রোটেক্সনগী থবকশিং হৌহনখ্রে।

ফীভম থীনা শোকপা ১৪ য়াওনা মীওই ৫৯ লোম শোক্লে হায়রি।

য়ুম্লোন্নবা লৈবাক্তা থোক্লিবা অচৌবা লাম্মৈ চাকপদু লাকশিনবদা মতেং পাংনবা স্পেননা ৱাটর বোম্মিং প্লেন অনী থাখ্রে।






## /EMPLOYMENT NEWS

**AIIMS Delhi Recruitment – 257 Nursing Officer Vacancy – Last Date 14 July 2017**

**AIIMS Delhi Recruitment 2017**

AIIMS, Delhi invites application for the post of 257 Nursing Officer. Apply Online before 14 July 2017. Qualification/ eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

**AIIMS Delhi Job Details :**

Post Name : Nursing Officer
No. of Vacancy : 257 Posts
Pay Scale : Rs. 9300-34800/-
Grade Pay : Rs. 4600/-

**Eligibility Criteria for AIIMS, Delhi Recruitment :**

Educational Qualification : B.Sc. (Hons.) in Nursing from a recognised University or Institute/ Regular course in B.Sc. Nursing from a recognised University of Institute/ Post Basic B.Sc Nursing from a recognised University or Institute or Diploma in General Nursing Midwifery from a recognised Board or Council with experience.

**Age Limit :** Minimum & maximum age limit is 18 to 30 years

**Age Relaxation :** OBC Candidates 3 years, SC/ST Candidates 5 years & PWD Candidates 10 years

**Job Location :** New Delhi

**Selection Process :** Selection will be based on Written Test Only.

**Application fee :** Candidates belonging to General/OBC have to pay Rs. 500/- & Rs. 100/- (for SC/ST) through Online. No fee for PWD Candidates.

How to Apply AIIMS, Delhi Vacancy : Interested candidate may apply Online through the website http://www.aiims.edu from 15.06.2017 to 14.07.2017.

**Important Dates to Remember :**

**Starting Date for Submission of Online Application :** 15.06.2017

**Last Date for Submission of Online Application :** 14.07.2017

**Date of Written Examination :** 11.09.2017

***Important Links :***

***Detail Advertisement Link :*** *http://www.aiims.edu/images/pdf/recruitment/advertisement/Nursing%20Officer_14_6_17.pdf*

***Apply Online :*** *http://nursingofficer.aiimsexams.org/?AspxAutoDetectCookieSupport=1*

**AIIMS Raipur Recruitment – All India Institute of Medical Sciences – 475 Nursing Sisters & Staff Nurse Vacancy – Last Date 31 July 2017**

**AIIMS Raipur Recruitment 2017**

All India Institute of Medical Sciences (AIIMS), Raipur invites application for the post of 475 Nursing Sisters & Staff Nurse on direct recruitment basis. Apply Online before 31 July 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

**Advt No. :** Admin/Rec./Regular/SN-I & SN-II/2017/ AIIMS.RPR

**AIIMS Raipur Job Details :**

**Post Name :** Staff Nurse Grade-I (Nursing Sisters)

**No of Vacancy :** 75 Posts (UR-39, OBC- 20, SC-11, ST-5)

**Pay Scale :** Rs. 9300-34800/-

**Grade Pay :** Rs. 4800/-

**Post Name :** Staff Nurse Grade-II (Sister Grade-II)

**No of Vacancy :** 400 Posts (UR-205, OBC-106, SC-60, ST-29)

**Pay Scale :** Rs. 9300-34800/-

**Grade Pay :** Rs. 4600/-

**Eligibility Criteria for AIIMS Raipur Recruitment :**

**Educational Qualification :**

For Nursing Sisters : B.Sc. (Nursing) (4 year course) from a recognized Institute/ University OR B.Sc.(Post-certificate) or equivalent such as B.Sc. Nursing (Post-basic) (2 year course) from a recognised Institute/University and Should be registered with the Indian Nursing Council/ State Nursing Council and Three years of experience as Staff Nurse Grade – II in a minimum 100 bedded hospital/ healthcare Institute.

For Staff Nurse Grade-II : B.Sc. (Nursing) (4 year course) from a recognized Institute/ University OR B.Sc.(Post-certificate) or equivalent such as B.Sc. Nursing (Post-basic) (2 year course) from a recognised Institute/University and Should be registered with the Indian Nursing Council/ State Nursing Council.

**Age Limit :** Minimum & Maximum age limit is 21 to 35 years & 21 to 30 years for Staff Nurse as on 31.07.2017

**Job Location :** Raipur (Chhattisgarh)

**Selection Process :** Selection will be based on Computer Based Examination.

**Application Fee :** Candidates belonging to General / OBC category have to pay Rs. 1000/- through Credit Card, Debit Card or Net banking. No fee for SC/ST/ PWD Category.

**How to Apply AIIMS Raipur Vacancy :**

Interested candidates may apply Online through the website http://www.aiimsraipur.edu.in form 15.06.2017 to 31.07.2017.

**Important Dates to Remember :**

**Starting Date for Submission of Online Application form :** 15.06.2017

**Last Date for Submission of Online Application form :** 31.07.2017

***Important Links :***

**Detail Advertisement Link :**

http://www.aiimsraipur.edu.in/upload/vacancies/594256a8059c3_Staff%20Nurse%20advt%20(1).pdf

**Apply Online :** http://aiimsraipur.cbtexam.in/Home/ListofExam.aspx